# ‘পার্টি থুগাইনবা হোৎনবগী মহুত্তা লৈবাক শেম্বনা অফবা ওইগনি’

গুৱাহাটি, জুন ২১ (এজেন্সী):

অসামদা টার্ম মরিরক এম এল এ ওইরল্লবা কোংগ্রেস লুচিংবা রুপ জ্যোটি কুরমিনা কোংগ্রেস পার্টিদগী তোক্লুনা অসামদা রুল্লিং পার্টি ওইরিবা বি জে পিদা য়াওখ্রবা মতুং অসামগী সেনিয়র কোংগ্রেস লুচিংবসু ওইরিবা লোক সভাগী এম পি গৌরভ গোগোয়না ফোঙদোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা পার্টি থুগাইনবা হোৎনবগী মহুত্তা অসাম ষ্টেট অমসুং লৈবাক অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা হেন্না মায় ওনশিল্লবদি অফবা ওইগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত সর্মাদা টার্গেট তৌরদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি লুচিংবশিংনা অসাম ষ্টেটবু মতৌ করম্না চাওখৎহনসিগে হায়না খনবগী মহুত্তা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা পার্টিশিং থুগাইনবা কোক থাদদুনা লৈরে। মসি বি জে পিগী ওইনদি মরু ওইবা থবক অমা ওইনা লৌরি। মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবগী মহুত্তা পার্টিগী কান্নবা খক য়েংলগা থবক তৌরিবা অসি লাইবকথিবনি।

অসামগী মীয়াম্না কোভিদ পেন্দমিক মরক্তা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অসি মতৌ করম্না কোকহনগদগে হায়বদা কোক থাদবগী মহুত্তা অতোপ্পা পার্টিশিংবু হুন্দুনা ঙাঙলি। ওপোজিসন পার্টিশিংগী অশোয়বা থিরগা থবক তৌনবা মতম ঙাইরিবা অদুগুম্না মীয়ামগী শোথরবা হীরমশিং কয়া খঙদোক্লগা মদু মেনখৎনবা থবক তৌরক্লবদি ওপোজিসনদা লৈরবসু বি জে পিবু মনীং তম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লমগদবনি।

বি জে পিনা মীয়ামদা তৌগনি হায়না ৱাশকখিবা থবকশিং হৌজিক ফাওবা পাঙথোক্তনা লৈরি। মীয়াম্নসু অসিগুম্বা পার্টি অসিবু মতম চারিঙৈদা পারা তম্বীগী মতম ওইরে হায়রি।




মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুশনা ফোঙবা কোভিদ-১৯ গাইদ লাইন্সকী মতুং ইন্না ১১৩ বটালিয়ন বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) হেদ ক্বার্টসরনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা সী আই পোষ্টশিংদা ইন্তরনেস্নেল যোগা দে পাঙথোকখিবগী শক্তম

## শেলগী মতেং পীরগনি

কোহিমা, জুন ২১ (এজেন্সী):

নাগালেন্দগী লেবর দিপার্টমেন্টতা রেজিষ্টর তৌবা কন্সত্রক্সন ৱার্করশিং কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুং অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী শেলগী মতেং ওইনা লুপা ২,০০০/২,০০০ পীরগনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লুপা ২,০০০ কন্সত্রক্সন ৱার্কর খুদিংমক্কী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা ত্রান্সফর তৌরগনি। থৌরাং অসিগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্টনা বেনিফিসরি ৩০,৭৯৭ রেজিষ্টর তৌরে। দিপার্টমেন্টনা বেনিফিসরি খুদিংমক্তা মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্টশিং খুদক্তা শীজিন্নবা য়ানবা মওংদা এক্তিবেসন তৌনবসু খঙহনখি।

## দ্রগ লল্লোনবা ৯ হিরোইন অমসুং ফেন্সিদাইলগা কোন্নবা ফারে

অগরটালা, জুন ২১ (এজেন্সী):

ত্রিপুরা পুলিসনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী দ্রগ লল্লোনবা ৯ নার্কোটিক কেপসুলশিং অমসুং ফেন্সিদাইল বোটলশিং য়াওনা অথিংবা থল্লিবা পোৎলমশিংগা কোন্নবা ফারে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্রিপুরা পুলিসনা হায়, থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা যাত্রাপুর পুলিসকী ও সী য়াওনা পুলিস টিম অমনা ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অগরটালাদগী কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্লা লৈবা নিলবোইপুর বুমিহিন কোলোনিদা মারুটি সুজুকি অলটো অমা দিটেন তৌখি। গাড়ী অদু খাল্লুবদা দ্রাইভর অদু মহাক্কী গাড়ী থাদোক্লগা রব্বর প্লান্টেসন ফাওরগা চেনখি।

পুলিসনা কার অদু ফাজিনবগা লোয়ননা গাড়ী অদুদগী ফেন্সিদাইল বোটল ১৯৯ রিকোভর তৌখি। অগরটালাদগী কিলোমিটর ৪৯ লোম লাপ্পা সোনামুরাদা টাহেরমুলা কৌবা মীওই অমগী য়ুমদা রেইদ চংখবদা দ্রগ লল্লোনবা মীওই ৭ লৈরমদুনা ফাখি। মখোয়দগী হেরোয়িন গ্রাম .৪৬০ য়াওবা প্লাষ্টিক ভাইল ২৩ অমসুং স্পাসমো প্রোক্সিভোন ৪২ ফাখি। গৌতম নগরগী য়ুম অমদা রেইদ চংখবদা দ্রগ লল্লোনবা ২ ময়াই কাবা পোৎলমশিংগা কোন্নবা ফাখি।

## অহুমশুবা ৱেভকী ৱার্নিং তৌখ্রে

অগরটালা, জুন ২১ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং সী পি আই (এম) গী সেনিয়র লিদর মনিক সরকারনা ষ্টেট অসিগী বিপ্লব দেবনা লুচিংবা বি জে পি গভর্ণমেন্টতা কোভিদ-১৯ গী অহুমশুবা ৱেভ লাকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

মনিক সরকারনা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টতা কোভিদ-১৯ গী অহুমশুবা ৱেভ থেংনবগীদমক মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখ্রে। অগরটালাদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমদা শরুক য়াবা লাকখিবদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হান্নগী ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টরনা অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা কান্নদবা চাদিংশিং হন্থনবা অমসুং অৱা অনা নংলবশিংদা রিলিফ পীবিনবসু তকশিনখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি গভর্ণমেন্টকী চাওখৎ থৌরাংগী থবক পূন্নমক লেপখিবদগী খুন্নাইগী মীওই সেক্সন কয়া থিংনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনা কান্নদবা চাদিংশিং হন্থহন্দুনা মীয়াম্বু হিংন্নবগীদমক তেংবাঙ পীবিগদবনি। য়ামদ্রবদা থা ৬ ষ্টেট অসিগী শু নোল্লগা শারিবা মীওইশিংদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা ৭,৫০০ অমসুং রসন পীবিনবসু মহাক্না গভর্ণমেন্টতা তকশিনখি।

ত্রিপুরাদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম শোকচিল্লকপগী মতাংদসু হান্নগী সী এম মনিক সরকারনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু চৈখি। মহাক্না হায়খি ত্রিপুরাদা রুল ওফ লো লৈত্রে। ষ্টেট অসিদা মপুং ফানা জঙ্গল রাজ লৈরে। খুদিংমক গুন্দাশিংগী খুত্তা শিন্নরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। জর্নেলিষ্টশিং ফাওবদা সেফ ওইদ্রে হায়বা য়াই।

## অসাম গভর্ণমেন্টনা অনৌবা এস ও পিশিং থোকখ্রে পোজিটিভিটি রেট ৱাংবা দিষ্ট্রিক্টশিং কুপ্না য়েংশিল্লগনি



গুৱাহাটি, জুন ২১ (এজেন্সী):

অসাম গভর্ণমেন্টনা অনৌবা এস ও পিশিং রিলিজ তৌখ্রে। অনৌবা এস ও পিশিং অদুগী মতুং ইন্না কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংবা দিষ্ট্রিক্টশিং কুপ্না য়েংশিল্লগনি।

অপূনবা কোভিদ কেস মশীং য়াম্বা অমসুং নোংমদা কেস মশীং য়াম্না থেংনরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং মরু ওইনা কছার, টিনসুকিয়া, দিব্রুগর, সোনিটপুর অমসুং নাগাউন অসি কুপ্না য়েংশিল্লগনি। দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা কোভিদকী ষ্টেটস ফগৎপগী খুদম উদ্রবদি হেন্না অকনবা অথিংবশিং চৎনহনগনি হায়না গভর্ণমেন্টকী অনৌবা এস ও পিশিং অদুনা পনখি।

এস ও পিশিং অদুদা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯ দিটেক্সন তৌবগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৫ য়ৌবা নৎত্রগা মসিদগী হেনবা অরবান এরিয়াগী মফমশিং অমসুং রুরেল এরিয়শিংদনা পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ১০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মফমশিং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা কন্টেনমেন্ট জোনশিংনি হায়না নোটিফাই তৌবগা লোয়ননা মথৌ তাবা কোভিদ কন্টেমেন্টগী থৌরাংশিং লৌখৎকনি। চৈরকসিদা কামরুপ-মেত্রো দিষ্ট্রিক্টতা নুমিৎ খুদিংগী নুংথিল পুং ২ দগী মথংগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা মখা তানা কর্ফিয়ু থমখিগনি। হায়রিবা মফম অসিদা কর্ফিয়ুগী মতমদা মী চৎথোক চৎশিন্দা মপুং ফানা অথিংবা লৈগনি।

## অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপা লেপত্রবসু হান্নগী চাংদগী হন্থরক্লে

গুৱাহাটি, জুন ২১ (এজেন্সী):



লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপা মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রবসু মমাং চয়োলগা য়েংনরুবদদি লায়না লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং অসি হন্থরক্লি হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৫৭ খক্তমক থেংনখি। অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা শুপ্নতংগী মীওই অমা খক্তা শিহনখি হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুং ২৪ দা নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচত্তগী মীওই ১৪৩ সু মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা নাগালেন্দ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ গী কেস য়াম্না লৈরম্বা দিমাপুরদা অনৌবা কেস শন্দোরকপগী খুদম থেংনখিদ্রে। ঙসি নৌনা থেংনখিবা কেস ৫৭ কী মনুংদা কোহিমাদগী ২৩, লোংলেন্দদগী ৬, মকোকচুংদগী ১০, মোনদগী ১, পেরেন্দদগী ৩, ফেক্তগী ৯, তুয়েনশাংদগী ১, ৱাখাদগী ৪ অমসুং জুনহেবোটোদগী অমা য়াওরি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪ দা অসামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২,৮০৫ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ৩৫ শিখি। অসামদা পুন্না লৌখৎখিবা অপুনবা সেম্পল ১,৭০,৮৫৬ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা শুপ্নগী মীওই ২,৮০৫ খক্তমক পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটিগী রেট অসি চাদা ১.৬৪ ওইরি।


অরুনাচল প্রদেশকী ওইনসু হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৫৮ থেংনখি। অদুবু লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা ঙসিগী ওইনা মীওই অমত্তা শিহনখিদ্রে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

/EMPLOYMENT NEWS

DSSSB Recruitment 2021 Apply Online for Teacher and Non Teaching Posts: IndGovtJobs.in updates all latest DSSSB advertisements and upcoming Vacancy notifications in this page.Government of NCT of Delhi, Delhi Subordinate Services Selection Board (DSSSB) invites online applications for recruitment of Trained Graduate Teachers, Assistant Teachers, Junior Secretariat Assistant, Counsellor, head Clerk and Patwari under different departments under Govt. of NCT of Delhi. The DSSSB Advertisement Number 02/2021 online registration will be start from 25th May 2021 and scheduled to be held on 24th June 2021.
ADVERTISEMENT NO. 02/2021
Name of the Post
Total Vacancies
Trained Graduate Teacher (Hindi) (Female) in Directorate of Education
551
Trained Graduate Teacher (Hindi) (Male) in Directorate of Education
556
Trained Graduate Teacher (Natural Science) (Male) in Directorate of Education
1040
Trained Graduate Teacher (Natural Science) (Female) in Directorate of Education
824
Trained Graduate Teacher (Maths) (Female) in Directorate of Education
1167
Trained Graduate Teacher (Maths) (Male) in Directorate of Education
988
Trained Graduate Teacher (Social Science) (Male) in Directorate of Education
469
Trained Graduate Teacher (Social Science) (Female) in Directorate of Education
662
Trained Graduate Teacher (Bengali) (Male) in Directorate of Education
01
Assistant Teacher (Primary) in Directorate of Education
434
Assistant Teacher (Nursery) in Directorate of Education
74
Junior Secretariat Assistant (LDC) in Municipal Corporation of Delhi
278
Counselor in Department of Women & Child Development
50
Head Clerk in Delhi Urban Shelter Improvement Board
12
Assistant Teacher (Primary) in New Delhi Municipal Council
120
Patwari in Delhi Urban Shelter Improvement Board
10
Age Limit:
Trained Graduate Teachers: Below 32 years
Assistant Teachers: Not exceeding 30 years
Junior Secretariat Assistant: 18 - 27 years
Counselor: Not exceeding 30 years
Head Clerk: Not exceeding 30 years
Assistant Teacher: Not exceeding 30 years
Patwari: 21 - 27 years
Pay Scales:
Trained Graduate Teachers: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4600/-
Assistant Teachers: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Junior Secretariat Assistant: Rs 5200 - 20200 + GP Rs 1900/-
Counselor: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Head Clerk: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4600/-
Assistant Teacher: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Patwari: Rs 5200 - 20200 + GP Rs 2000/-
Educational Qualifications:
Trained Graduate Teachers: Bachelor's Degree / BA or equivalent qualification in required relevant subjects with 45% marks in aggregate.
Assistant Teachers (Nursery): Senior Secondary School (12th Class) or Intermediate or its equivalent qualification pass with atleast 45% marks. Diploma certificate in Nursery Teacher Education Programme or B.Ed. in Nursery.
Junior Secretariat Assistant: Matriculation / 10th class / Secondary School exam Pass. Ability to type at a speed of not less than 35 words per minute in English or 30 words per minute in Hindi on Computer.
Counselor: Bachelor's Degree in Psychology / Applied Psychology. Post Graduate Diploma in Counseling Psychology. Minimum 01 years experience (OR) Post Graduate in Psychology / Counseling Psychology / Clinical psychology / Applied Psychology.
Head Clerk: Bachelor's Degree. Computer Proficiency.
Assistant Teacher (Primary): Senior Secondary or its equivalent qualification with at least 50% marks. Minimum 02 years Diploma in Elementary Education (OR) Senior Secondary or its equivalent qualification with at least 43% marks. Minimum 02 years Diploma in Elementary Education.
Patwari: Bachelor's Degree or equivalent qualification.
Selection Process:
One Tier Examination
Two Tier Examination
Examination Fee:
100/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST, PWD and Ex-servicemen candidates.
The candidates submitting their application online should pay the requisite fee only through SBI e-pay.
How to Apply: Eligible Interested candidates must apply online through DSSSB Delhi Online Application Portal (dsssbonline.nic.in) from 25th May 2021. The last date for submission of online application is up to 24/06/2021 till 11:59 PM.

Bis.gov.in Recruitment 2021 - BIS Recruitment 2021 free jobs alert for Graduates, Post Graduates, 10th Pass, 12th Pass, Matric, ITI and Diploma Indian Citizens. BIS Scientist Recruitment 2021 bis.gov.in: Bureau of Indian Standards (BIS), New Delhi invites online applications from right, young dynamic persons for the post of Scientist-‘B’ in the specified disciplines and categories. The online registration process will be start from 5th June 2021 to 25th June 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Scientist B
28
Discipline wise Vacancies:
Civil Engineering - 13
Instrumentation Engineering - 02
Environmental Engineering - 02
Chemistry - 07
Textile Engineering - 04
Age Limit:
Maximum 30 years as on 25th June 2021.
Age Relaxation for SC, ST, BC as per Government Rules or Orders issued from time to time.
Pay Scale: Gross Emoluments ? 87,525/- per month
Educational Qualifications:
Engineering Categories:
(1) Bachelor’s Degree in Engineering or Technology or equivalent with not less than 60%marks in aggregate [50% for Scheduled Castes and Scheduled Tribes].
Having valid GATE score of 2019/ 2020/ 2021. The GATE score must be valid as on 25.06.2021.
Chemistry:
(1) Master’s Degree in Natural Sciences or equivalent [in Chemistry discipline only] with not less than 60% marks in aggregate [50% for Scheduled Castes and Scheduled Tribes].
(2) Having valid GATE score of 2019/ 2020/ 2021. The GATE score must be valid as on 25.06.2021.
Selection Process:
Short-listing based on GATE 2019, GATE 2020 & GATE 2021 Score.
Personal Interview.
Final Merit List.
Application Fee:
100/- and is Non-Refundable.
No fees is required to be paid by SC / ST/ Ex-Serviceman / Person with benchmark disability / Women Candidates.
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through www.bis.gov.in from 5th june 2021. The last date for registration of online applications is 25/06/2021.

## CROSSWORD-3817



**ACROSS**

1 Greatest possible quantity (7)
5 Cringe (5)
8 Distinguishing feature (5)
9 Not artificial (7)
10 Pudding or sweet course (7)
11 Loathed (5)
12 Garbage (6)
14 chaffed, teased (6)
18 Lariat (5)
20 Robbers (7)
22 Culinary art (7)
23 Large striped cat (5)
24 Americans (5)
25 Duke's wife (7)

**DOWN**

1 Bullfighter (7)
2 Skeletal pictures (5)
3 Fingerless gloves (7)
4 Extremely small (6)
5 Capture (5)
6 Fine wool fabric (7)
7 Governed (5)
13 Mode (7)
15 Foolish (7)
16 Forsakes (7)
17 Be present (6)
18 Fortunate (5)
19 Leaves out (5)
21 Hazy (5)

**Solution 3816**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | I | R | M | E | N | | N | U | G | G | E | T |
| U | | A | | X | | | | P | | R | | H |
| T | E | M | P | T | | B | A | R | R | I | E | R |
| U | | B | | R | | A | | I | | M | | O |
| M | A | L | L | A | R | D | | G | R | E | E | N |
| N | | E | | | | M | | H | | | | E |
| | | R | E | A | L | I | S | T | I | C | | |
| S | | | | C | | N | | | | H | | M |
| O | T | T | E | R | | T | E | E | N | A | G | E |
| R | | R | | O | | O | | S | | R | | T |
| B | O | U | R | B | O | N | | S | M | A | S | H |
| E | | C | | A | | | | E | | D | | O |
| T | W | E | N | T | Y | | E | X | C | E | E | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3616

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | | | | | 4 | |
| 4 | 7 | | | | | 6 | | |
| | 2 | | 1 | | 3 | 7 | | |
| | | | | 9 | 8 | 2 | | |
| | 3 | | 6 | | 5 | | 8 | |
| | | 6 | 2 | 1 | | | | |
| | | 9 | 5 | | 1 | | 6 | |
| | | 7 | | | | | 3 | 9 |
| | 1 | | | | | | | 5 |

## Solution-3615

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 2 | 8 | 7 | 4 | 1 | 3 | 9 |
| 7 | 8 | 3 | 6 | 9 | 1 | 2 | 4 | 5 |
| 9 | 4 | 1 | 2 | 5 | 3 | 8 | 6 | 7 |
| 8 | 7 | 5 | 9 | 4 | 2 | 6 | 1 | 3 |
| 4 | 1 | 9 | 3 | 8 | 6 | 5 | 7 | 2 |
| 3 | 2 | 6 | 7 | 1 | 5 | 4 | 9 | 8 |
| 1 | 9 | 7 | 4 | 2 | 8 | 3 | 5 | 6 |
| 2 | 6 | 4 | 5 | 3 | 7 | 9 | 8 | 1 |
| 5 | 3 | 8 | 1 | 6 | 9 | 7 | 2 | 4 |

